# এল এ জি এস এ গোল্ডন জুবিলি স্পোর্টস মীট ২০১৮ লোইশিনখ্রে



ইস্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএনএস): লোংপি এরিয়া গেমস এন্দ স্পোর্টস এসোসিএসন (এল এ জি এস এ) গী গোল্ডন জুবিলি থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকপা স্পোর্টস মীট ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খোপিজাংদা লোইশিনখ্রে।

লোংপি এরিয়া গেমস এন্দ স্পোর্টস এসোসিএসন (এল এ জি এস এ) গী গোল্ডন জুবিলি স্পোর্টস মীট অসিগী মেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টতনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সৈজামাং মেমোরিএল টিম (এস এম টি) ফাইজাংনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে। জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন্না জি সোংঙেল য়ুথ ক্লবনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে। অদুগা ৱিমেন্স বোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন্না এম মোলজোল য়ুথ ক্লবনা ওইখ্রে।

এল এ জি এস এগী মেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ঙসি সৈজমাং মেমোরিএল টিম (এস এম টি) ফাইজাং অমসুং এল ৱাই জি এস ঈ দি এ লাংচীং শান্নখি। ফাইনেল মেচ অদু টিম অনীমক্না হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেচ অদু কনানা মায় পাকপগে হায়বা লেপথোক্লবগীদমক পেনালটি কাওনখি। পেনালটিদা এস এম টি ফাইজাংনা এল ৱাই জি এস ঈ দি এ লাংচীংবু গোল ৭-৬তা মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদনা এস সোংঙেল য়ুথ ক্লব অমসুং টি কে এল ৱাই দি ও লাইলোইফাই শান্নখি। অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদু লোইশিল্লকপদা জি সোংঙেল য়ুথ ক্লবনা টি কে এল ৱাই দি ও লাইলোইফাইবু গোল ১-০দা মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখি।

ৱিমেন্স বোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদনা এম মোলজোন য়ুথ ক্লব অমসুং বি দি রুংদিল মেমোরিএল টিম (বি আর এম টি) শান্নখি। অকনবা লম্বা তৌনরগা শান্নখিবা বোল্লিবোল ফাইনেল মেচ অদুদা এম মোলজোন য়ুথ ক্লবনা বি দি রুংদিল মেমোরিএল টিম্বু ২৫-১৪, ২৫-২৩, ২৫-৭তা মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

# মণিপুরনা ম্যান্মারবু গোল ৭-০দা মায়থীবা পীখ্রে

ইস্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএনএস): য়ূমলোন্নরিবা লৈবাক ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগী ওইবা মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্লিবা ইন্দো-ম্যান্মার ফুটবোল ফ্রেন্দলি মেচতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিল্লিবা মণিপুরনা ম্যান্মারবু মায়থীবা পীখ্রে।

ফ্রেন্দলি মেচ অসি টিম অনীমক্না হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ মেচকী ১১শুবা মিনিটতা মণিপুরগী জর্সি নম্বর ১১ কসমিনানা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু য়াম্না ঙন্না মণিপুরনা মাঙজিল থাহনখি। ফ্রেন্দলি মেচ অসিগী য়ূম্বু ওইরিবা ম্যান্মারবু মেচকী অঙনবা শরুক্তগী হৌনা মণিপুরগী টিম্না প্রেসর পীখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ২৫শুবা মিনিটতা অমুক কসমিনানা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু মণিপুরনা গোল ২-০দা মাঙজিল থাহনখি। হেক থংনবা মীকুপ মেচকী ২৬শুবদা মণিপুরগী জর্সি নম্বর ১০ এস রিনারোয়না গোল অমগা চল্লগা মণিপুরগী টিম্না গোল ৩-০দা মাঙজিল থাহনখি।

য়ূম্বু ওইরিবা ম্যান্মারগী মায়কৈদগীসু মণিপুরগী টিম্না মাঙজিল থারিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লনবা কন্না শান্নরকখি। অদুমকপু মণিপুরগী টিম্না অহেনবা গোল চন্নবা লেপ্পা লৈতনা এটেক কয়া চথখি। মেচকী ৩২শুবা মিনিটতা কসমিনানা মহাক্কী অহুমশুবা গোল চন্দুনা হেটট্রিক ফংদুনা মণিপুরনা গোল ৪-০দা মাঙজিল থাহনখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ৩৭শুবা মিনিটতা অমুক এস রিনারোয়না মহাক্কী অনীশুবা গোল চল্লগা মণিপুরনা গোল ৫-০দা মাঙজিল থাহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ম্যান্মারগী মায়কৈদগী মণিপুরগী গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অহানবা হাফতগী হৌনা মণিপুরনা মাঙজিল থারগা লাক্লিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লনবগীদমক ম্যান্মারগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনখি। অদুমকপু মণিপুর টিমগী শান্নরোয়শিংনা ম্যান্মারগী টিম্বু লাকশিল্লগা শান্নখিবদা নত্তনা মেচ অদুগী অনীশুবা হাফতসু অহেনবা গোল চন্নবা অকনবা এটেক কয়া চথখি। অনীশুবা হাফকী ৫৯শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১৭ ও রেবেকানা গোল অমগা চল্লগা মেচ অদু মণিপুরনা গোল ৬-০দা মাঙজিল থাহনখি। মিনিট ৪ কান্নরগা মেচকী ৬৩শুবা মিনিটতা অমুক ও রেবেকানা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু মণিপুরনা গোল ৭-০দা মাঙজিল থাহনখি। মণিপুরগী গোলশিং অদু হন্দোক্লবগীদমক ম্যান্মার টিমগী মায়কৈদগী অঙম্বা থাক্তা হোৎনখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদবদগী ম্যান্মারগী টিম মায়থীহৌখি। কাসমিনাগী হেটট্রিক, এস রিনারোয় অমসুং ও রেবেকানা গোল ২/২ চনখিবা অদুনা মেচ অদু মণিপুরনা গোল ৭-০দা চাউনা মায় পাকহনবদা মতেং ওইখি।

ফুটবোল ফ্রেন্দলি টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা মন্দলেগী প্রাইম মিনিষ্টর ডা. জো মিন্ট মুৱাং শরুক য়াবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা ম্যান্মারগী বোর্দর এফেয়রস মিনিষ্টর কর্নেল ক্যাও ক্যাও মিন্না চীফ গেষ্ট, মণিপুরগী য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। সৈগাংগী হোম মিনিষ্টর ডা. জে ৱিন, এক্ট ইষ্ট পোলিসি মণিপুরগী কনভেনর আর কে সিবচন্দ্র, ককচীং এ সীগী এম এল এ সুরচন্দ্র, এম এল এ সুসিন্দ্রো, এম এল এ ব্রোজেন অমসুং ইন্দিয়াগী কন্সোলেট জেনরেল নন্দা ভাইসোরানা দাইজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।




HL-B/4172/17/10-14/12



HL-B/4352/19/1-18-2



HL-P/205/10-31jan.-1-18feb(alt.)



HL-P/3078/6 Jan-6Feb.



davp 17102/13/0075/1718


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com